## বলগেরিয়াদা নর্সিং হোম মৈ চাকপদগী মীওই ৯ শিরে

য়ম্বোল, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : বলগেরিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা নর্সিং হোম অমা খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপগী থৌদোক্তা হোম অদুদা লৈবা অহল ৯ শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফয়র দিপার্টমেন্টকী চীফ টিহোমির টোতেবনা ফোঙদোকখিবদা, বলগেরিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা রোয়াক ভিলেজদা হান্না লৈরম্বা শিজিন্নদ্রবা স্কুল অমবু অহলশিংনা লৈনবা হোম ওন্থোক্তুনা চল্লাইরগা লাকখিবনি। হোম অদুদা পুন্না মীওই ৫৮ লৈবগী মনুংদা লাইবক থিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৯ শিহনখিবনি। মৈ অদু মতৌ করম্না চাক্লকখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি খঙবা ঙমদ্রি। মরী লৈনবা ওফিসলশিংনসু হিরম অসিগী মতাংদা অকুপ্পা মরোল মীয়ামদা খঙহল্লকপা লৈদ্রি। অমরোমদা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা হিংহৌরবা অহলশিং অদুগী মনুংদা খরদি মৈ চাকপদগী পায়থোরকপা মৈখুনা মরম ওইরগা শ্বর হোনবা নুংঙাইরক্তবদগী মখা তানা আই সি য়ুদা থমদুনা ট্রিটমেন্টগী থবক চথুরি হায়না হোম অদুগী দাইরেক্টরনা ফোঙদোরক্লি।

## সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন টিম্না হৌথি রেবেলশিংদা টার্গেট তৌদুনা এয়র স্ট্রাইক চথখ্রে



সানা, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : য়েমেনগী কোনুং সানা অমদি মনাক নক্লা লৈবা মফমশিংদা সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন টিমনা চথুখিবা এয়র স্ট্রাইকশিংনা মরম ওইরগা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা হৌথি রেবেলশিংনা সাউদি কিংদমগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৪ দা দ্রোন এটেক চথুখি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসিগী এয়র স্ট্রাইক অসি চথুখিবনি। ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা লৈরম্বা য়াই চিংনবা মফমশিংদা টার্গেট তৌরগা চথুখিবা এটেক অদুদা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অশোক অপন নৎত্রগা মীশিং মীনা থোকপগী পাউ লৈত্রি। অদুম ওইনমক এয়র স্ট্রাইক অদুনা মরম ওইরগা প্লাষ্টিক ফেক্টরি অমা য়াওনা য়ুম কয়া অমাঙ অতা থোকহনখি হায়রি।

এয়র স্ট্রাইক অসিগা মরী লৈননা কোলিসন টিমগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিগী কোনুং সানাগা থংননা লৈবা থাহবানদা হৌথিশিংগী ওইবা অরোনবা বেলিষ্টিক মিসাইলশিং থম্ফম মফম অমা লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ ফংলবা মতুং সাইট অদুদা টার্গেট থম্লগা এটেক অদু চথুখিবনি। এটেক অদুদা হৌথি রেবেলশিংগী মমল য়াম্লবা বেলিষ্টিক মিসাইল অমা থুগাইবা ঙমখ্রে।

ঙসি চথুখিবা এটেক অদু ইন্টরনেসনেল লোগী চৎন-কাংলোনশিং ঙাক্লা চথুখিবনি। এটেক চথুদ্রিঙৈগী মাঙওইননা সিভিলিয়ানশিং অশোক অপন নংহন্দনবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মপুঙ ফানা পায়খৎখি অমদি সাইট অদুগী মনাক নক্লা মীওইশিং পুনশিন্দুনা লৈতনবা মাঙজৌননা খঙহনখি হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী মার্চ থাদগী হৌরগা লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোক্তা সাউদিনা খুৎ থিংজিন্দুনা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা রিকগনাইজ তৌরিবা য়েমেন গভর্নমেন্টকী মীচঙদা লেপ্তুনা হৌথি রেবেলশিংগী মথক্তা কাউন্টর স্ট্রাইক কয়া চথুদুনা লাক্লি। মদুগী পাউখুম পীবা ওইনা ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা সাউদিদা মিসাইল অমদি দ্রোন শীজিন্নদুনা এটেকশিং য়াম্না তোইনা চথুরি।

## অফঘানিষ্টানদা দোলর মিলিয়ন ২৮ মতেং পাংলগনি হায়না লাউথোকখ্রে

ইস্লামাবাদ, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : লৈবাক মনুংগী ওইবা লালনা মরম ওইরগা কা হেন্না ইকনমিগী ফিভম শোকচিনখ্রবা অফঘানিষ্টান লৈবাক্তা লৈরিবা মীয়ামদা মতেং পাংবা ওইনা পাকিষ্টাননা দোলর মিলিয়ন ২৮ গী মতেং পাংলগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খাননা লাউথোকখিবগা লোয়ননা ইনি দয়াদগী লৈবাক অসি ফাওদুনা অফঘানিষ্টানদা তেংবাংগী পোৎলম থিনবা গড়িশিং চৎপদা অয়াবা পীরে হায়রি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর খাননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পাকিষ্টানগী ফোরেন মিনিষ্টর, আর্মি চীফ জেনরেল কমার জাবেদ বাজৱা অমদি অতোপ্পা মকোক থোংবা ওফিসলশিং য়াওবা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুং তেংবাং পীবদা য়ানখিবনি। মীফম অদু লোইরবা মতুং মরী লৈনবশিংদা খুদক্কী ওইনা অফঘান মীয়াম্না মথৌ তাবা পোৎলমশিং অহানবগী ওইনা মতেং পীনবা খঙহনখ্রে। অহানবগী ওইনা পাকিষ্টাননা অফঘানিষ্টানদা চানবা পোৎলমশিং মরুওইনা গেহু মেট্রিক টোন ৫০,০০০, ইমজেন্সি মেদিকেল সপ্লাইশিং অমদি নিংথমথাগী মতমদা শীজিন্ননবা পোৎলমশিং পীরগনি। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়ানা পাকিষ্টান ফাওদুনা অফঘানিষ্টানদা গেহু মেটিক টোন ৫০,০০০ মতেং পাংগে হায়না ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অদুসু অয়াবা পীখিবনি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় অরিন্দম বাগচিনা ফোঙদোকখিবদা, পাকিষ্টাননা লৈবাক অদু ফাওদুনা ইন্দিয়াগী তেংবাং গাড়িশিং চৎপদা অয়াবা পীরকখিবা অদুবু থাগৎলি। অফঘানিষ্টানদা ইন্দিয়ানা মতেং পাংনবা শেম শাদুনা লৈরি। অদুবু লম্বীগী ওইবা খুদোংচাদবা লৈবনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি।

## মোংশোং অমদা অশিবা হকচাং ৮ থেংনখ্রে

ব্রাসিলিয়া, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : ব্রাজিলগী রিও-দি-জনৈরোগী মনুং হঞ্জিনবা মফম অমদা লৈবা মোংশোং অমদা মীওই ৮ গী অশিবা হকচাং থেংনখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়রিবা মফমশিং অদুদা থি হুন্সগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ব্রাজিল পুলিসনা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক অসিদা পুলিস য়াওনা খুৎলায় পায়বা মীওই গ্রুপ খরগা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুং মীওই ৮ গী অশিবা হকচাং অসি মোংশোং অমদা লংশিন্দুনা থল্লকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়রি।

ঙসি থেংনখ্রবা অশিবা হকচাংশিং অদুদা কা হেন্না ওৎ নৈখিবগী খুদম কয়া উবা ফংখি। মখোয় ফারবা মতুং ওৎ নৈদুনা হাৎখিবা শোয়দনা ওইগনি হায়না লোকেল পিপলশিংনা ফোঙদোরক্লি। মশকমমিং তাকথোক্তবা মীওই অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, খুৎ থোক্লখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওইশিং অদু হাৎলগা মফম অদুদা থমজিল্লম্বা ওইরম্বা য়াই। হকচাংশিং অদুদা ওৎ নৈবগী দাগফম কয়া থেংনখিবগা লোয়ননা অমনা অমগী মথক্তা ননশিন্দুনা লৈরমখিবনি। মখা তানা থিরবদি অশিবা মশিং হেনগৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মসিনা মরম ওইরগা মনাক নক্লা লৈরিবা মীওইশিংদা চরাংনবা থোকহল্লে হায়রি।

## বস এক্সিদেন্টতা য়ামদ্রবা মীওই ৪৫ শিখ্রে

সোফিয়া, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : বলগেরিয়াগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা হায়ৱে অমদা টুরিষ্টশিং পুবা বস অমা এক্সিদেন্ট থোকপদগী অঙাং ১২ য়াওনা মীওই ৪৫ শিখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

লাইবক থিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, টুরিষ্টশিং পুদুনা লাকখিবা বস অদু খঙহৌদনা মৈ চাক্লকখিবগা লোয়ননা হায়ৱে অদুগী নাকলদা লৈবা য়োৎকী শরুকশিংদা থেংজিনখিবনি। বস অদুদা মৈ অদু কা হেন্না কন্না চাক্লকখিবা অমদি নাকলদা লৈবা য়োৎকী শরুক্তা য়ৈশিনবগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা মনুংদা তোংলিবা পেসেঞ্জরশিং থোক্লকপা ঙমদ্রিঙৈদা মৈ অদুনা মীশি মীনা অদু থোকহনখিবনি। বস অদুদা তোংলকখিবা মীওই ৭ তি থোংনাউগী শরুক্তগী নম্ফুদা থোরকপা ঙমহৌখি। অদুবু মখোয়গী হকচাংগী শরুক খরা মৈনা চাকখিবনা মরম ওইরগা ফিভম লুনা লৈরি। অশোকপশিং অদু হৌজিক গভর্নমেন্ট হোস্পিটালদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথুরি হায়রি।

বস অদুদা মতৌ করম্না মৈ অদু চাক্লকখিবনো হায়বা হৌজিকমক্কী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অসিগী মতাংদা অখন্নবা পুলিস টিম অমা শেমদুনা থিগৎপগী থবক চথবা হৌখ্রে। বস দ্রাইভরনা শোয়বদগী নৎত্রগা টেক্নিকেল প্রোব্লেমনা মৈ অদু চাক্লকখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ওফিসলশিংনদি থাজনরি। নোর্থ মসিদোনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর জোরান জায়িবনা থৌদোক অদুবু নুংঙাইতবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে

টেল অভিভ, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা অমুক হন্না অকনবা চৈথেং তপ্পা তপ্পা পীবা হৌরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা ইজরেলনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদসু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা, মীওইবা খুন্নাইদা নৌনা চৈথেং পীরক্লিবা দেল্টা ভেরিয়েন্ট অসি য়াম্না লৌনগনবা ওইবনা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তারি। চহী অহল ওইরবশিংগী ওইনদি হান্নদগী হৌনা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক পাক্তক্লনা চথুদুনা লাক্লি। অদুবু মখা তানা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদসু ভেক্সিন কাপথোক্লবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। চহী ৫ দগী ১১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে হায়রি।

## রসিয়ানা ফংদ্রিঙৈদা হান্না ফংনবা হোৎনগনি : য়ু কে, য়ু এস

ৱাশিংটন, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : ঐচ এম এস ক্লুইন ইলিজাবেথ এয়রক্রাফ্ট কেরিয়রদগী পাইখৎখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা কায়খিবা ষ্টিল্থ ফাইটর জেটকী অকায়বা শরুকশিং রসিয়ানা ফংদ্রিঙৈগী মমাংদা ফংনবা হোৎনগনি হায়না য়ু কে, য়ু এস অমসুং নেটোগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অকায় অতোয় থোকখ্রবা প্লেন অদুগী শরুকশিং থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথবা হৌখ্রে হায়রি।

এয়রক্রাফ্ট কেরিয়র অসিদগী এফ-৩৫ জেট অদু হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা পাইখৎখ্রবা মতুং কায়খিবনি। প্লেন অদুবু পাইখিবা পাইলোটশিংদি তেক্ত কয়াদনা ইজেক্ট তৌহৌবদগী অশোক অপন নংহৌখিদ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এসকী মকোক থোংবা ওফিসর বৃগেদিয়র জেনরেল সাইমন দোরাননা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা রসিয়ানা ষ্টিল্থ ফাইটর জেট অদুগী মচেৎ মকায়শিং হান্না ফংখিবা থোক্লবদি জেট অদুগী টেক্নোলোজিগী মতাংদা খঙবা ঙমখিগনি। মরম অদুনা মখোয়না ফংদ্রিঙৈদা ঐখোয়না হান্না ফংনবা হোৎনগনি। অমরোমদা নেটোগী দিপ্যুটি সুপ্রিম এলাইদ কম্মান্দর য়ুরোপ, জেনরেল টিম রাদফোর্দনা ফোঙদোকখিবদা নেটোগী ওইনদি পাইলোটশিং অদু অশোয় অঙাম য়াওহৌখিদবা অদুনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ হায়না খল্লি। প্লেন অদুগী মচেৎ মকায়শিং থিবগী থবক্লা কা হেন্না মরুওই হায়না লৌদে। মথৌ তারিবদি প্লেন অদু মতৌ করম্না কায়খিবনো হায়বগী মতাংদা খঙনবা হোৎনবনি হায়রি।

## জর্মনি অমসুং দেনমার্কতা চত্তনবা য়ু এস সিটিজনশিংদা খঙহনখ্রে

ৱাশিংটন, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : জর্মনি অমসুং দেনমার্কতা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা অমুক হন্না অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখিবগা লোয়ননা য়ু এসনা মখোয়গী সিটিজনশিং মতম খরগী ওইনা হায়রিবা লৈবাক অনী অসিদা চত্তনবা অকনবা মওংদা ৱার্নিং তৌখ্রে।

য়ু এস সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন অমদি ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক খরদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা অমুক হন্না অকনবা চৈথেং পীবা হৌরক্লি। য়ুরোপিয়ান লৈবাক অনী অসিদসু অমুক হন্না লায়না লায়চৎ অসিনা অকনবা মওংদা চৈথেং পীবা হৌখ্রে। মরম অদুনা য়ারিবমখে হায়রিবা লৈবাক অনী অসিদা চৎলোইদবনি। মমাং মতমদা লায়না লায়চৎ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীদুনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবা লৈবাক অসি য়ু এসনা ওইরি। মরম অদুনা লায়না লায়চৎ অসিনা অমুক হন্না লৈবাক অসিদা চৈথেং পীহল্লত্তনবা হোৎনগদবনি। য়ুরোপিয়ন কন্ট্রি অয়াম্বদা কোভিদকী ৪শুবা ৱেভ হৌখ্রে হায়রি।

## ইরানগা মায়োক য়ানবা শেম শাদুনা লৈরি : নফটালি বেনেট

জেরুসালম, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : ইরাননা চথরক্লিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসি মায়োক য়ানবগীদমক ইজরেলনা মতম পুম্বদা শেম শাদুনা লৈরি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নফটালি বেনেটনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা ইরাননা অতোপ্পা লৈবাকশিংগা তৌনবা ন্যুক্লিয়র দিলনা ইজরেল কোনশিনবা য়ারোই হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা ইরান অমদি অতোপ্পা ৱার্ল্ড পৱারশিংগা তৌনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদুদা ইজরেল য়াওখিদ্রবসু দিল অদুনা লৈবাক অসিবু কোনশিনখি। অদুবু হন্দক্কী ওইনদি মসি য়াররোই। ইরাননা ন্যুক্লিয়র দিলগী মীংদা কা হেনবা থবক থৌওং কয়া চথরক্লি। মসি থেংননবগীদমক ইজরেলনা মনিংতম্না ন্যুক্লিয়রগী মতাংদা থবক পায়খৎপা হৌরগনি। করিগুম্বা ৱার্ল্ড পৱারশিংনা ইজরেলবু ন্যুক্লিয়র দিলগী চৎন-কাংলোন ঙাক্লা চৎহন্নিংলবদি ইরানগী কা হেনবা থৌওংশিং হান্না থিংগদবনি হায়রি।

## চিংনবা মীওই কয়া পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

কম্পালা, নভেম্বর ২৩ (এজেন্সী) : মমাং চয়োলদা উগন্দাগী কোনুং কম্পালাদা স্যুসাইদ বোম্বর ৩ না মফম অনীদা থংন-থংননা বোম পোকখায়হন্দুনা মীওই ৭ হাৎখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা উগন্দা পুলিসনা চথরকখিবা থি হুন্সগী থবক্তা হৌজিক ফাওবগী ওইনা থৌদোক অদুদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই ৭ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে অমদি মীওই ১০৬ ফাজিন্দুনা থমখ্রে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।




ওফিসলশিংনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, থা অসি ১৬ তা থোকখিবা থৌদোক অদু আই এস আই এল (আই এস আই এস) না চথুখিবনি হায়না ক্লেইম তৌরকখ্রে। এটেক অদুদা মীওই ৭ কা লোয়ননা বোম্বর ৩ অদুসু শিখি। বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা পুলিস পর্সনেল কয়াসু অশোক অপন নংখি। এটেক অদুবু উগন্দা গভর্নমেন্টনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা টেররিজমগী ওইবা থৌদোক চথুরিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং পুলিসনা মীকুপ নাহুম শিংনা থবক পায়খৎপা হৌরকখিবনি।

আই এস আই এলনা চথুখিবা এটেক অদুদা লৈবাক অদুগী খ্বাইদগী হেন্না লীরবা এলাইদ দেমোক্রেটিক ফোর্স (এ দি এফ) হায়না খঙনবা রেবেল গ্রুপ অসিনসু চাওনা মতেং পাংখি হায়বগী রিপোর্টশিং ফংখ্রবা মতুং পুলিসকী থবক হেন্না কনখৎহনখিবনি। পুলিসনা চথরকপা থিজিন হুমজিনবগী থবকশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা চিংননিঙাই ওইবা মীওই ৭ হাৎখিবগা লোয়ননা ১০৬ ফাজিন্দুনা থমখিবনি। অদুবু পুলিসনা হাৎখ্রবা অমদি ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীওইশিং অদুগী মতাংদা চপ চাবা মরি মখোংদি মীয়ামদা খঙহনবা লৈত্রি।

পনবা য়াবদি এ দি এফ রেবেল গ্রুপ অসি হৌখিবা কুমজা ১৯৯০ দা লিংখৎখিবনি। রেবেল গ্রুপ অসি মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া হাৎপগী থৌদোকশিংদা চেন্নদুনা লাক্লি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
(Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal)

**NOTIFICATION**
Imphal, the 20th November, 2021

No. 8/30/2017-18(SNP)SW: Pursuant to the approval of the Government issued vide letter No. 4/6/2017-S(SW)Pt-A dated 20/11/2021, the Department of Social Welfare, Manipur invites applications for contractual engagement against 129 (one hundred twenty nine) different categories of posts/positions under POSHAN Abhiyaan, details of which are as follows:

1. **Candidature**:
   1.1 Willing and eligible candidates.
   1.2 For petitioners of WP (C) No. 158, 97, 122, 133, 134, 209, 238, 239, 260, 353, 728, 327, 27 & 46 of 2019, 45 & 46 of 2020, a Special DPC will be conducted as directed by the Hon'ble High Court of Manipur, Imphal.
2. **Details of Post**:
   2.1 **No. of posts**: 129 (one hundred twenty nine) which may be increased or decreased.
   2.2 **Details ofRemuneration per month**, educational qualification and experience with desirabilityare at**Annexure-I.**
   2.3 **Reservation of post**: Existing state reservation policy and relevant roster will be applied.
   (a) District Coordinator-local candidates to be engaged mandatorily.
   (b) District Project Assistant - local candidates to be engaged mandatorily.
   (c) Block Coordinator - local candidates to be engaged mandatorily.
   (d) Block Project Assistant - local candidates to be engaged mandatorily.
   (e) Category wise details for the above posts as per relevant roster is at **Annexure II & III.**
3. **Term/Period of Engagement**: 1(one) year, which may be extended from time to time, depending on terms & conditions.
4. **Mode of recruitment/examination**: Details at Annexure IV.
5. **Age of Candidates**: A minimum of 18 years, and not more than 38 (thirty eight) years as on 01/11/2021. Upper age limit is relaxable by 5 years for ST/SC, 3 years for OBC and 10 years for Divyangjan-Persons with Disability. Those candidates who were eligible for the DPC held pursuant to Notification No. 8/30/2017-18(SNP)SW dated 11/01/2019 and the Special DPC held pursuant to Notification No. 8/30/2017-18(SNP)SW dated 30/01/2020 will also be eligible to take part in the current recruitment.
6. **Issue & Submission of Application Forms**: Interested persons having the requisite qualifications may download the prescribed application forms from www.socialwelfare.mn.gov.in from **23/11/2021 to 08/12/2021** The completed application forms along with requisite self-attested certificates/documents should be submitted to the Directorate Head Quarter, Department of Social Welfare, Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal on or before **11/12/2021** on working daysbetween 10:30 a.m to 04:00 p.m. on cash payment of requisite fees. For those candidates who had appeared in the DPC/Special DPC mentioned at para 5 above, copy of the relevant admit cards should be submitted along with application form.
7. **Fee**: Rs.500/- for Unreserved categories and Rs.300/- for SC/ST/OBC. No fee is payable for PWDs.Further, no fee is payable for candidates who had appeared in the Interview/Viva-Voce held pursuant to notifications mentioned at para 5 above, subject to production of Admit Cards/relevant fee payment receipts issued by this office.
8. **Documents to be submitted**: Self attested age proof certificate (Matriculation Certificate), category (ST/SC/OBC/PWD) certificates, certificates in support of educational qualifications and experience should be submitted with the application form. Original certificates/documents should be brought at the time of Interview.
9. **Details of Interview/Viva-Voce will be notified separately**.

N.B. More details can be had from the above website.

Sd/- **Ngangom Uttam Singh**
Director (Social Welfare),
Manipur

HL-B/7298/23,24

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
(Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal)

**NOTIFICATION**
Imphal, the 20thNovember, 2021

No. 1/1/2017-ICDS/PMMVY: Pursuant to the approval of the Government issued vide letter No. 4/6/2017-S(SW)Pt-A dated 20/11/2021, the Department of Social Welfare, Manipur invites applications for contractual engagement against 34 (thirty four) different categories of posts/positions under PradhanMantriMatruVandanaYojana (PMMVY), details of which are as follows:

1. **Candidature**:
   1.1 Willing and eligible candidates.
   1.2 For petitioners of WP (C) No. 158, 97, 122, 133, 134, 209, 238, 239, 260, 353, 728, 327, 27 & 46 of 2019, 45 & 46 of 2020, a Special DPC will be conducted as directed by the Hon'ble High Court of Manipur, Imphal.
2. **Details of Post**:
   2.1 **No. of posts**: 34 (thirty four).
   2.2 **Details ofRemuneration per month**, educational qualification and experience with desirability are at **Annexure-I.**
   2.3 **Reservation of posts** are at **Annexure-I**.
3. **Term/Period of Engagement**: 1(one) year, which may be extended from time to time, depending on terms & conditions.
4. **Mode of recruitment/examination**: Details at **Annexure II**.
5. **Age of Candidates**: A minimum of 18 years, and not more than 38 (thirty eight) years as on 01/11/2021. Upper age limit is relaxable by 5 years for ST/SC, 3 years for OBC and 10 years for Divyangjan-Persons with Disability. Those candidates who were eligible for the DPC held pursuant to Notification No. 1/1/2017-ICDS/PMMVY dated 11/01/2019 and the Special DPC held pursuant to Notification No. 1/1/2017-ICDS/PMMVY dated 31/01/2020 will also be eligible to take part in the current recruitment.
6. **Issue & Submission of Application Forms**: Interested persons having the requisite qualifications may download the prescribed application forms from www.socialwelfare.mn.gov.in from **23/11/2021 to 08/12/2021** The completed application forms along with requisite self-attested certificates/documents should be submitted to the Directorate Head Quarter, Department of Social Welfare, Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal on or before **11/12/2021** on working days between 10:30 a.m to 04:00 p.m. on cash payment of requisite fees. For those candidates who had appeared in the DPC/Special DPC mentioned at para 5 above, copy of the relevant admit cards should be submitted along with application form.
7. **Fee**: Rs.500/- for Unreserved categories and Rs.300/- for SC/ST/OBC. No fee is payable for PWDs. Further, no fee is payable for candidates who had appeared in the Interview/Viva-Voce held pursuant to notifications mentioned at para 5 above, subject to production of Admit Cards/relevant fee payment receipts issued by this office.
8. **Documents to be submitted**: Self attested age proof certificate (Matriculation Certificate), category (ST/SC/OBC/PWD) certificates, certificates in support of educational qualifications and experience should be submitted with the application form. Original certificates/documents should be brought at the time of Interview.
9. **Details of Interview/Viva-Voce will be notified separately**.

N.B. More details can be had from the above website.

Sd/- **Ngangom Uttam Singh**
Director (Social Welfare),
Manipur

HL-B/7299/23,24

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
(Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal)

**NOTIFICATION**
Imphal, the 20th November, 2021

No. 7/90/2018-SW(MSK): Pursuant to the approval of the Government issued vide letter No. 4/6/2017-S(SW)Pt-A dated 20/11/2021, the Department of Social Welfare, Manipur invites applications for contractual engagement against 32 (thirty two) different categories of posts/positions under Mahila Shakti Kendra (MSK), details of which are as follows:

1. **Candidature**:
   1.1 Willing and eligible candidates.
   1.2 For petitioners of WP (C) No. 158, 97, 122, 133, 134, 209, 238, 239, 260, 353, 728, 327, 27 & 46 of 2019, 45 & 46 of 2020, a Special DPC will be conducted as directed by the Hon'ble High Court of Manipur, Imphal.
2. **Details of Post**:
   2.1 **No. of posts**: 32 (thirty two).
   2.2 **Details ofRemuneration per month**, educational qualification and experience with preference are at **Annexure-I.**
   2.3 **Reservation of posts:** Existing state reservation policy and relevant roster will be applied.
   (f) Women Welfare Officer- preference shall be given to women and resident of same district.
   (g) District Coordinator- preference shall be given to women and resident of same district.
   (h) Category details for the above posts as per relevant roster is at **Annexure II.**
3. **Term/Period of Engagement**: 1(one) year, which may be extended from time to time, depending on terms & conditions.
4. **Mode of recruitment/examination**: Details at **Annexure III**.
5. **Age of Candidates**: A minimum of 18 years, and not more than 38 (thirty eight) years as on 01/11/2021. Upper age limit is relaxable by 5 years for ST/SC, 3 years for OBC and 10 years for Divyangjan-Persons with Disability. Those candidates who were eligible for the DPC held pursuant to Notification No. 7/90/2018-SW(MSK) dated 11/01/2019 and the Special DPC held pursuant to Notification No. 7/90/2018-SW(MSK) dated 03/03/2020 will also be eligible to take part in the current recruitment.
6. **Issue & Submission of Application Forms**: Interested persons having the requisite qualifications may download the prescribed application forms from www.socialwelfare.mn.gov.in from **23/11/2021 to 08/12/2021** The completed application forms along with requisite self-attested certificates/documents should be submitted to the Directorate Head Quarter, Department of Social Welfare, Near 2nd MR Gate, AT Line, Imphal on or before **11/12/2021** on working daysbetween 10:30 a.m to 04:00 p.m. on cash payment of requisite fees. For those candidates who had appeared in the DPC/Special DPC mentioned at para 5 above, copy of the relevant admit cards should be submitted along with application form.
7. **Fee**: Rs.500/- for Unreserved categories and Rs.300/- for SC/ST/OBC. No fee is payable for PWDs.Further, no fee is payable for candidates who had appeared in the Interview/Viva-Voce held pursuant to notifications mentioned at para 5 above, subject to production of Admit Cards/relevant fee payment receipts issued by this office.
8. **Documents to be submitted**: Self attested age proof certificate (Matriculation Certificate), category (ST/SC/OBC/PWD) certificates, certificates in support of educational qualifications and experience should be submitted with the application form. Original certificates/documents should be brought at the time of Interview.
9. **Details of Interview/Viva-Voce will be notified separately**.

N.B. More details can be had from the above website.

Sd/- **Ngangom Uttam Singh**
Director (Social Welfare),
Manipur

HL-B/7297/23,24